থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

কলাকার অমদি অয়েংবগী মাইন্দ সেত

মণিপুরী থিয়েতরনা মরায় চায়থরক্লিবা, শিনীং-শিমাং তৌরক্লিবসিগী মরুওইবা মরম য়েংবীনবা মী (ওদিয়েন্স) ৱাৎপদগীনি হায়বসি অয়াম্বনা থাজনবা ৱাফমনি। থিয়েতরখক্কী ৱা নত্তে, পর্ফোর্মিং আর্ত হায়বসিমক্তবু অহিংবা ওদিয়েন্সকা তৎনবা য়াদবা মরী লৈনৈ। য়েংবীনবা মী অমফাওবা ফমদবা ওদিতোরিয়ম অমগী ষ্টেজদা দান্সর/এক্তর/সিঙ্গর অমত্তনা মাগী পর্ফোর্মেন্স উৎলু য়ারোই। অয়েঙমল পীরগা ওইরবসু, চেবাউ ফংদুনবু ওইরবসু লিভিং আর্ত অমগী পর্ফোর্মরনা অহাঙবা ওদিতোরিয়ম অমদা পর্ফোর্মেন্স উৎপা থেংনখিদ্রি। অদুঙৈ, ঐনা পাখঙ ওইরিঙৈ 'ধনৱান' (মরল লৈবা) কৌবা বোল্লিরুদ ফিল্ম অমা য়েংখিবদু নীংশিংলি। জগোয় শাবী (রীনা রোই) শকহেনবী অমদা ঙাওরবা শেঞ্জাও পায়বা (রাজেস খন্না) নুপাদুনা অখন্নবা শো অমগী তিকেৎ পুম্নমক মথন্তনা লৌরগা, চাউরবা ওদিতোরিয়মদুগী ময়ায়দা মথন্তা ফম্লগা লৈরম্বদু উবদা 'দান্সরদুনা জগোয় শাউ য়াখিদবা', মহাক্কী কলাদুগী মমল 'মানা পীদুনা লৈখ্রবনি শাদবা য়ারোই' মুক্নরকখিবা মতাংদু ঙসি ফাওবা কাউঙমদ্রি। মীনা চোন্না তিল্লবা 'পর্ফোর্মেন্স স্পেস' অদুদা উৎপা পর্ফোর্মেন্স অদুনি 'মমল লৈতবা অহিঙবা কলা'।

মণিপুরী জগোয় অমদি থিয়েতর আর্ত - অয়েংবশিংনা পীবা মমলদুনা হিংহল্লকখিবা নত্তে। অদুবু হিংহল্লকখিবদি অয়েংবশিংননি। মথম্মোয়না পেল্লবা, পাম্মুবা খঙদে অয়েঙবা। মশাদা য়াওবা শেল-থুম পুম্নমক কলাকারদুদা পীথোকপদা চিংনদে। রাজা-মহারাজা ময়াম্না কলাগী পুজারি ওইরল্লিবা, রোয়েল পেত্রোনেজগী মপান'তনা অনৌবা কলাগী ময়োল চোংফম ওইরল্লিবা - অদুগুম্বা লীক্লমদু মোর্দন এজ অসিদা তপ্না তপ্না কায়থরকপদুনা ঙসিদি কলাগী মফম খুন্নায়সিদা লৈরক্তে। জগোয় ঈশৈ তৌবশিং থৌরেম ৱারেম তৌবগুম্না লৌনরকই। দ্রামা-সিনেমা হায়বসি ঙম্মোক'কুম্না লৌরকই। মীয়াম মাঙদা থাগৎলগা, মচা-মমৌ ওইরমদাই হুন্দোকখাক্কুম খনবীবা, 'দ্রামা তৌবা নুপাদবু ইচা থাজবা হৌনব্রা' - অচৌ-অশাঙশিংগী মচীন্দগী থোক্লকপা ... পুম্নমকসিনা মরম ওইরগনি 'কলচরেল এক্তিভিজম', তপ্না তপ্না হন্থরকখিবা, তাঙল-তাঙলবা আর্ত ফোর্মশিং (নিংথৌরোল কয়াগী হাক্তক্তা শেমগৎলম্বা) তপ্না তপ্না শিথরক্লিবা। মালেমদা তোমথিন ওইবা কলচর অমগী শেমগৎলম্বা মাঙলমচত্তা হিংলম্বা মণিপুরগী ইপা-ইপুশিংদুগী 'ঈ' ঙসিগী মীরোলগী শিংলী-নাউরীদা চেন্দরে। কলচর হায়বসি 'নেসন' অমগী 'প্রাইদ' নি - চাউথোকচনিংঙাইনি হায়বদু, মশাগী নেসনেলিতি মাঙখ্রবা, উতাংবী ওইখ্রবা ফুরুপ (জাতি) অসিগী লুচিংবশিংগী ৱাখলদা খন্দরে। মরম অসিননি, কলচরেল বজেৎ হায়বদু কলচর মিনিষ্টরগী মকোক্তগী মাঙখ্রিবা। ১৯৪৯ ওক্তোবর ১৫ দগী মণিপুরী কৌবা নেসন অদু মাঙখরে। মতম অদুফাও' লৈরম্বা নেসনেল প্রাইদ - ইন্দিয়ন নেসন কৌবা ঈপাক অমদা কোঙ্গোল ওইনা তাকখরে।


সোসাইটি থিয়েটরগী প্লে ঙাবোং খাউ দগী লৌথোকপা

উতাংবী অমনা তাংজফম ওইরিবা পান্মীদুদগী হেন্না চাউবা, মশা মরেঙ ফনবা পান্মী অমা ওইবদি কৈদৌঙৈদা ওইথোক্লোই। ৱাফমসিবু অমুক নীংশিংনফম থোকপরা? মণিপুরী কলচর, ইন্দিয়ন কলচরদগী শেত্তোকপা য়ারোই, অনী অসি অমত্তনি - ইন্দিয়ন স্কোলরশিংগী খোন্থোকনি। 'অনী অসি কৈদৌনুংদা অমত্তা ওইবা য়ারোই' - 'সিনা ঐখোয়গী খোন্থোকনি। চহী চহুমগী মমাংদগী অমত্তা ওইনবা হোৎনরকখিবা, মায় পাক্লকখিদ্রবনি। ইন্দিয়নশিংগী হিন্দু কলচর, মণিপুরগী হিন্দু কলচর - অনী অসি মান্নদে। ইন্দিয়নশিংগী কৃষ্ণদুনা অমনি, মণিপুরগী কৃষ্ণসিনা অমনি।

ৱা অসি চাউথোকখিদৌরে, মতাঙসিদা তেনশিল্লগে। থম্মোয়সিনা ৱাজখিবদি মণিপুরী কলচরগী মরুওইবা মচা ওইরিবা মচলশিং তপ্না তপ্না মাঙখিব'সিনি। মৱা চৎপীদবা লমদমসিগী এক্সপর্ত শিংগী ৱা - অঙম্বা-অথৌবা, লন-থুম পৈশিনবা য়ুম-কৈ ৱাংখৎনবা সীনা থৌশিলদুনা 'ষ্টেৎ-প্রাইদ'নী খনবা ময়ামসিগী কোক্তা চঙদে। হায়রুরসু কান্নরোই। অঙাওবগী চোইরোলবু অদোম্নসু করিগুম্বদা নাকোংদুদা হাপখ্রবরা? চোইরোল অসি লোল্লগুমসি। মখোয়গী থৌজাল নিরগুমসি। ঈৱায়-ইনিলগা লোয়ননা চেন্থরকপা মতমগী অকনবা ঈচেলসিবু নঙ-ঐনা থিংবা ঙম্বা হৌনদে। কলচরবু কোরপোরেতাইজ তৌরসি। লীলা য়েংবা, জগোয় য়েংবা, ঈশৈ তাবা, আর্ত গেল্লরি চৎলিবা ... মখোয় পুম্নমক পোৎ লৈবা চৎলিবা, পোৎ লৈনবা থিরিবা কষ্টমরনি হায়বসি কাউরগুমসি। কঞ্জুমরিজম হায়বসি কলাদসু লৈ খল্লসি। মখোয়না পাম্বা পীরসি। মার্কেত ইকোনোমি হায়বসিগী খ্বাইদই মরুওইবসি - কঞ্জুমরশিংনা পাম্বা পোৎ মার্কেৎতা ফঙহনবদু নত্তরা? মাধুরি দিক্ষিততা ঙাওজবা 'এম এফ হুসেন' না মহাক্কী কেনভাইতা মাধুরিগী ফোতোগ্রাফিক ইমেজ কৈদৌঙৈদা য়েকখিদে। ইনিদরা গান্ধী, মাদর তেরেসা, সরস্বতিগী পেইন্তিং শকওং অমদা ওন্থোকখি - অরেপ্পা মমল লৈখিদে। পিকাসোগী অয়েকপা লাই, দা ভিন্সিগী মোনালিসা - মমল লৈরি ঙসিসু।

থিয়েতর ৱার্কর, ফিল্ম মেকর অমদি সুমাঙ লীলা প্রোদ্যুসরশিং - মখোয়গী খ্বাইদই চাউবা অশোয়বদি - মতমগী মতুং ইন্না হোংলক্লিবা অয়েংবশিংগী অপাম্বা অমদি পুক্লিংগী ফৌরোই য়েংনা চৎঙমদবা, মখোয়গী অপাম্বা অয়েংবশিংদা ইমপোজ তৌবগী মওংসি হোংদোকপা ঙমদবা অসিনি। 'ঐখোয়দি হোংলোই নখোয় হোংঙউ' হায়বই এত্তিচ্যুত অসি হোংদোকসি, পর্ফোর্মেন্স স্পেস শেমদোকসি, কষ্টমর্স কমফোর্ত মরু ওইবনি কাউগুমসি, আর্ত দিজাইন হোংদোকসি, ঐখোয়গী মাইন্দ-সেতসু হোংদোকসি ... য়েংসি মখোয় কদোমদা চৎপগে? এন্তরতেইনমেন্ট পাম্বা, নুংঙাইবা থিবা মীওইবগী লীচৎসিদি ... মালেমসিনা কায়দ্রিফাও' হোংলরোইদবা মতৌনি। লাল্লব্রা?

লৌশিং পুক্কে

মপুং ফানা তূমদ্রবদি তোয়না খৎনবা মরম্না মতৈ-মনাও ওইবগী মরীদা শোকচিল্লকই

মপুং ফানা তূম্লবদি মতৈ মনাও ওইবগী মরী হেন্না চেৎশিলহল্লি হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙবা ঙল্লে। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা লৈবা ফ্লোরিদা ষ্টেট য়ুনিভর্সিটিগী জিম মেকনাল্টিনা হায়খি, মীপুম খুদিংমক মপুং ফানা তূম্বা মথৌ তাই। তূম্বা ৱাৎলবদি মতৈ মনাও তোয়না খৎনবগা লোয়ননা ইমুং মহী লাঙই।

মপুং ফানা তূম্বগী তঙাই ফদবা ৱাফম পল্লদুনা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়খি, নীংথিনা তূম্লবদি খোয়রাং খোয়শাওনবা ফহল্লি অমসুং অফ-ফত্তা খন্থবা ঙম্মী। ইশানা ইশাবু খুদুম চনবসু ঙম্মী। মপুং ফানা তূমদ্রবদি মতৈ-মনাও অমসুং ইমুং অমদা পূন্না লৈমিন্নরিবা মীওইশিংগী মরক্তা তোয়না খৎন-চৈনবগী থৌদোক থোকই। মসিগী মরু ওইবা মরমদি মপুং ফানা তূমদবা মতমদা ৱাখল চরাংনবগা লোয়ননা খোয়রাং-খোয়শাওনদুনতা লৈবননি। শাওনিংদুনতা লৈরবনিনা করিসু লৈতবা মরম অমগীসু অশাওবা অদু ইমুংগী অতোপ্পা মীওই অমদা উৎথোক্লবদগী তোয়না খৎন-চৈনরকপনি।

ষ্টদি অমদা শরুক য়াখিবা মতৈ মনাও অয়াম্বনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না মপুং ফানা তূমদ্রবদি তোয়না খৎনবা মরম্না মতৈ-মনাও ওইবগী মরীদা শোকচিল্লকই হায়না ফোঙদোরকখি।

রিছার্চরশিংনা হায়খি, মতম কুইনা তূমলিবমখে মতৈ মনাও নুংশিনবা হেল্লি হায়বা নৎতে। অদুবু তূমশিৎ ফাদবা মতৈ-মনাও তোয়না খৎনবা থেংনৈ। নোংমগী খজিক্তং ওইরবসু তূম্বা ৱাৎহৌবা মতমদা ৱাখল খনবগী মওংদা অহোংবা থোকহন্দুনা করিসু লৈতবা মরম অমগীসু হেক্তা শাউনিংবা পোকহল্লি। মদুনা মরম ওইরগা লৈমিন্নরিবা মীওইশিংগী অশোয়বা থবক মচা মশুদা ৱা ঙাঙলুবদগী খৎনবা হায়বদু ওইরকই।

নৌনা লুহোংবদা ঙায়রিবা মতৈ-মনাও ৬৮ গী মরমদা কৃপ্পা থিজিনবদা রিছার্চরশিংনা ৱাফম অসি খঙবা ঙল্লকখিবনি। মপুং ফানা তূম্বা মতৈ-মনাওদি নোংমা ফাওবা খৎনদে হায়বা নৎত্রগসু অয়াম্বা মতমদা তূমশিৎ ফাদবা মতৈ-মনাওশিং তোয়না খৎনগল্লি। ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি ''জর্নেল ওফ ফেমিলি সাইকোলোজি'' গী ওনলাইন ইদিশনদা হন্দক্তা ফোঙলকপনি।

অমরোমদা, টর্কিগী মিদল ইষ্ট টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটিনা চৎথখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খ্রে মদুদি মতৈ-মনাও নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরবদি মপুং ফানা তূম্বা য়াহল্লি। মতৈ-মনাও তোয়না খৎনরবদি মপুং ফানা তূম্বা য়াগদবগা লোয়ননা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লরকই।

মিদল ইষ্ট টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটিগী এমরে সেলসকনা হায়খি, মীওইবনা হকচাং ফনা লৈনবগীদমক মপুং ফানা তূম্বা মথৌ তাই। তূম্বা ৱাৎলবদি হকচাং শোকচিল্লকপগা লোয়ননা পুক্লিং-ৱাখলগী ফীভমসু শোকচিল্লকই। অদুবু মপুং ফানা তূম্বা য়ানবগী মতাংদা খ্বাইদগী মরু ওইরিবসি ইমুংদা লৈমিন্নরিবা মীওইশিং নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নবদুনি। ইমুং অমদা পূন্না লৈমিন্নরিবা মীওইশিং, মরু ওইনা মতৈ-মনাওগী মরক্তা ঙাইহাক লৈতনা খৎন-চৈনবগা লোয়ননা অফবা মরী থম্নদবা থোক্লবদি মপুং ফানা তূম্বা য়াহন্দবা মরম্না হকচাং শোকচিল্লকই।

''সোশল পর্সনেলিটি এন্দ সাইকোলোজিকেল সাইন্স'' জর্নেলদা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, মতৈ মনাওগী মরক্তা অফবা মরী থম্নরবদি নীংথিনা তূম্বা য়াহনবগা লোয়ননা হীরম খুদিংমক্তা কান্নবা ফংই। অমরোমদা তূম্বা য়াগনদবা মীওইশিং ষ্ট্রোক তৌরকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ হায়না জর্মনিদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি হোস্পিটাল ইসেনগী দর্ক হর্মেননা ফোঙদোকখ্রে।

''ন্যুরোলোজি'' জর্নেলগী ওনলাইন ইদিশনদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমদা হর্মেননা হায়খি, মপুং ফানা তূম্বা য়াদবা নৎত্রগা তোয়না মীৎকপ থোক্কনবা মীওইশিং ষ্ট্রোক তৌরকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ। ষ্ট্রোক তৌখিবা মীওই ওইরগনা ফগৎলকপদা ৱানা থোকই। তূম্বা য়াদবা অমদি ষ্ট্রোককী মরক্তা লৈনবা মরী কৃপ্পা য়েংশিল্লবা মতুংদা রিছার্চরশিংনা ৱাফম অসি ফোঙদোরকপনি।

স্লিপ ব্রিদিং প্রোব্লেম অমসুং স্লিপ-ৱেক দিসওর্দর হায়দুনা স্লিপ দিসওর্দর মখল অনী খায়দোকই। স্লিপ এপনিয়াগুম্বা তূমথখ্রবা মতুংদা নিংশা শ্বর থিংবগী থৌওংবু স্লিপ ব্রিদিং প্রোব্লেম কৌই। তোয়না মীৎকপ থোক্কনবা অমসুং পাক হেক তূমথবা য়াদবগী থৌওংবুনা স্লিপ-ৱেক দিসওর্দর কৌই।

থৌওং অনীমক্না ষ্ট্রোককী রিস্ক হেনগৎহল্লি হায়রি। অদুবু ইমুং-মনুংদা লৈমিন্নরিবা মীওইশিং, মরু ওইনা মতৈ-মনাওগী মরী ফরবদি তূম্বা য়াদবগী অৱাবসু কোকখি হায়বা খঙলে। পুম্নমক অসি য়েংলুরগা মতৈ-মনাওগী মরক্তা অফবা মরী থম্নবা অমসুং নুংশিননা লৈমিন্নবা য়াম্নমক মরু ওই হায়না ''সোশল পর্সনেলিটি এন্দ সাইকোলোজিকেল সাইন্স'' জর্নেলগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

ষ্টেট লেবেল হেল্দি বেবী সো কম্পিটিসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): নেসনল হেল্ঠ মীসন মণিপুরগী মীসন দিরেক্তর অমসুং এস ঐচ এসকী ষ্টাফশিংনা শীন্দুনা ঙসি লম্ফেলপাৎতা লৈবা আর দি ৱিঙগী হোলদা ষ্টেট লেবেল হেল্দি বেবী সো কম্পিটিসন ২০১৮ পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা হেল্ঠ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা চীফ গেষ্ট, এন বন্দনা আই এ এস ষ্টেট মীসন দিরেক্তর এন ঐচ এম মণিপুরনা প্রসিদেন্ট অমসুং ডা. কে রাজো দিরেক্তর হেল্ঠ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র সর্ভিসনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা পায়খৎলক্লিবা প্রোগ্রামশিংগী মনুং চল্লিবা আয়ুস্মান ভারতকী মখাদা নেসনল রুরেল হেল্ঠ মীসন্না প্রাইমারি হেল্ঠ সব সেন্তরশিং অমসুং হেল্ঠ সেন্তরশিং, হেল্ঠ এন্দ ৱেলনেস সেন্তর হায়দুনা অপগ্রেদ তৌরি। ইকুই কুইদনা মফম ৩০ দা হেল্ঠ এন্দ ৱেলনেস সেন্তরশিং অপগ্রেদ তৌখ্রে অমদি মখা তানা ৬০/৭০ সু অপগ্রেদ তৌনবগী থৌরাং লৈরে।

মমা-মপা ওইবশিংনা মচং ওইবা অঙাংশিং শেমগৎপা মথৌ তাই। মেন্টেল হেল্ঠতা, ফিজিকেল হেল্ঠতা মতিক চাবা অঙাংশিং শেম্নগী তঙাইফদবা লৈরি। হেল্দি বেবী সো কম্পিটিসন পাঙথোক্লিবা অসিদা অঙাং মশা-মউ ফবা হায়বসিগী মরমদা মীয়ামদা খঙহন্নবনি। অঙাং অদু মশা হেক্তা নোয়রগা কম্পিটিসন য়াওরগা ফর্ষ্ট তাগনি হায়দুনা য়াওরগদি খরা ৱাগনি। মনুং শেংবা, তিং তিং লাওনা লৈবা, লায়না তিন্না চেন্দবা অঙাংশিং শেম্বীদুনা মখোয়গী কম্পিটিসন তৌহনসি। মথং চহীদসু অসুম্না কম্পিটিসন পাঙথোক্কদবা লৈবনা করম্বা মওংদা অঙাংশিংগী মচীঞ্জাক পীজগনি অমসুং করম্না হিদাক লাংথক্কচিংবা কাপথোক্কদগে হায়বসি খঙদবা য়ারক্তবনি। মচা অদুনা তুংদা খুন্নাই অসিদা অফবা মী ওইরকপা মতমদা মমা-মপা ওইবশিং অদু নুংঙাইবা ফাওরিবনি।

অঙাং অদুনা চাওখৎলক্কবা মতমদা শেমগে হায়বা য়ারোই। পীক্লিঙৈদগী হৌনা অঙাংশিংবু শেম্বী শাবীবা তঙায়ফদে। হেল্ঠ দিপার্টমেন্টতা অমসুং মীসন দিরেক্তোরেট খক্তদা থৌদাং লৌহনবা নত্তবদা সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টনচিংবা ময়াম পুল্লগা খুৎশম্না চংশিনমিন্নবা চঙই। সোসল ৱেলফেয়রদগী হেল্ঠ দিপার্টমেন্টতা গভর্নমেন্টনা পীরক্লিবা অদুগা অঙাংশিংগী মমাশিংগী হেল্ঠকা মরী লৈনবা পেকেজশিং করিনো হায়বদু খঙবগা লোয়ননা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংদগী কান্নবশিং লৌবসু চঙই। মরী লৈনবা দোক্তরশিং অমদি এক্সপর্টশিংনা তাকপীবা কয়া অদু মীয়াম্নসু পুক্লিং চঙনা তাবীরগা অঙাংশিংগীদমক্তা করি করি তৌবা য়াবগে হায়বদু য়েংবীয়ু।

তুংগী খুন্নাইগী থৌদাং লৌরক্কদৌরিবা অঙাংশিং অসি শেমগৎ শাগৎপদা পুম্নমক্কী থৌদাং য়াম্না চাউনা চঙই। মতম মতমগী মতুংইন্না অঙাংশিংবু তিঞ্জং কায়জংদবা অঙাং ওইহন্নবগীদমক্তা অমদি অঙাংশিংবু লায়না তিন্না চঙদনবা ভেক্সিনেসন তৌবা তঙায়ফদে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী নুংগী ৱারোল পীরদুনা এস এন ও চাইল্দ হেল্ঠ, এন ঐচ এম মণিপুরগী দোক্তর এ সিলভিয়ানা হায়খিবদা, নবেম্বর ১৫ দগী ২১ ফাওবা চহী খুদিংগী ন্যু বোর্ন বেবী ৱিক হায়না থৌরম পাঙথোক্লি। থৌরম অসি পীক্লিবা অঙাংশিং অসি মশা-মউ ফনবা, ইনফেন্ট মোর্তেলিটি রেট হন্থহন্নবা, ব্রেষ্ট ফিদিং, দাইরিয়া ত্রিতমেন্ট অমদি ইনভেষ্টিগেসন্নচিংবগী মরমদা মীয়ামদা মরুওইনা মমা ওইবীশিংদা খঙহন্নবগীদমক্তা প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি। হায়রিবা মতম অসিদা চহী খুদিংগী হেল্দি বেবী সো কম্পিটিসন অসি পাঙথোকপনি। কম্পিটিসন অসি দিষ্ট্রিক্ট ১৬ তগী খনগৎলবা অঙাংশিংনা শরুক য়ারি অমসুং কেটগোরি অহুমথোক্না থা ৬ তগী ১১, থা ১২ দগী ২৪ অমসুং থা ২৪ দগী ৩৬ ফাওবগী খায়দোক্লি।

কেটগোরি অহুম অসিগী অথোয় অহেন তান্নবদা অহানবা কেটগোরিদা হৈরোক্তগী এল ইবুংঙোগী মচা জেমস, থা ১২ দগী থা ২৪ ফাওবগী কেটগোরিদা মোলকোইদগী থাংলুনখাং দৌসেলগী মচা কুকি থৱাল থৌসেনা অদুগা থা ২৪ দগী ৩৬ ফাওবগী কেটগোরিদনা সগোলবন্দদগী এস কেনেদিগী মচা সোরাইশম শিন্থোইনা মকোক ওইখ্রে। অঙাং অহুম অসিগী অপোকপা অমদি অপোকপীশিংদা লুপা লীশিং ৯০, সর্টিফিকেট অমদি অঙাংশিংগী শান্নপোৎশিং খুৎশিন্নখি।

পোকপদা ঙাইরিবী নুপীমচাশিংদা খুদোল তমখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): য়ুনিয়ন গভর্নমেন্টকী বেট্টি বচাউ, বেট্টি পরাউ স্কীমগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন, থৌবালনা ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পোকপা নুপীমচা মরিদা বর্থ সর্টিফিকেট অমদি অচম্বা খুদোলপোৎ পীখ্রে।

লৈবাক অসিদা নুপীমচাশিংগী সেক্স রেসিও হন্থরকপা, নুপী পোকপদা মমা-মপা ওইবশিংনা নুপীনি হায়না থওইবীদবা অমদি নুপীমচাশিংবু নুপীনি হায়না মহৈ-মশিন নীংথিনা তমহন্দবা কয়া অসি থিংনবা অমদি নুপীমচাশিং অসিবু অদুগুম্বা খুদোংথিবা কয়া অসিদগী কলহৌনবা য়ুনিয়ন গভর্নমেন্টনা পায়খৎলিবা স্কীম অসি দিষ্ট্রিক্ট অসিদা থবক ওইনা পায়খৎপা ওইনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর হাওবম রোসিতা, চীফ মেদিকেল ওফিসর ডা. এন জয়ন্তকুমার, আই সী দি এসকী দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম ওফিসর শ্যামানা খুদোলপোৎ অমদি সর্টিফিকেটশিং অদু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা লাক্তুনা পোকপদা ঙাইরিবা অঙাং নুপীমচা মরিদা য়েন্থোকখিবনি হায়রি।

ꯗꯣꯛꯇꯔ ꯑꯣꯐ ꯐꯤꯂꯣꯁꯣꯐꯤ/Ph.D. DEGREE AWARDED

Lalleima Chakpram, D/o Chakpram Ibohal Singh and Chakpram (O) Memcha Devi of Nongmeibung, Old Checkon, Imphal East has been awarded the Degree of Doctor of Philosophy in Life Sciences by Manipur University, vide Ref. No. MU/9-11/17/Exam/1411 dated the 20th November 2018, for her thesis entitled "**Taxonomic and Phytochemical Studies on the Family Araceae**".

Her research work was done under the guidance and supervision of **Dr. P. Kumar Singh,** Professor, Ethnobotany & Plant Physiology Section, Department of Life Sciences, Manipur University. She has published her research work in few reputed national and international scientific journals.

She is the wife of **Mr. Rajkumar Yaiphasana** of Nongmeibung Pung Makhong, Imphal East. We wish her the best of luck and success in her future endeavours

HL-P/2552/23

Sd/- FAMILY & WELL-WISHERS

A Unit of RaDiant Group
RaDiant e-ride
EASY LOAN PROCESS
EASY DOCUMENTATION
I YEAR FREE SERVICING
AUTHORISED DEALER
E-RICKSHAW & E-CART, MANIPUR STATE
Just Pay Rs. 50,000/- Be Owner Of E- Rickshaw
Please Contact : RaDiant Finance
+918787743072
rdgrafix.eride2017@gmail.com
VALID TILL 15th Dec.2018
Ghari Awang Airport Road
HL-B/5019/23,25,27...

SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College (Children's Ideal High School), Imphal
ADMISSION OPEN
REVISION COURSE for
CLASS XII Sc. (COHSEM) 20th Nov, 2018
&
CLASS X (BOSEM) 6th Dec, 2018
Last date of form submision with admission 15th (XII) & 30th Nov (X)
HSLC Examination result at a GLANCE
1st Position YAIPHABI MAYENGBAM
3rd Position ANJILA ATHOKPAM
23rd Position HELEN HUIDROM
Fouundation Course
Class - X (BOSEM)
10th Dec. 2018
4.00pm to 7.00pm
Faculties :
Former Head Examiner, Assistant Head Examiner, Co ordinator, and Bord Examiner and Lecturers from reputed Higher Secondary School.
Special feature :
Mock test series (Sunday and provide 4 Qustion set for every subject)
We provide printed probable question and answers
Van Service
Hostel / Boarding facilities
For more details pliz contact : 7629855465
HL-P/5583/26/10-23/12(Alt.)